# এ আই এফ এফনা ইন্দিয়া কেম্পকীদমক শান্নরোয় ৩০ লাউথোরকপদা মণিপুরী মচা ১১ য়াওরক্লে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী): কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারী ২০দগী ফেব্রুৱারী ৬ ফাওবা এসিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ যূম্মু ওইগদৌরিবা অসিগীদমক্তা ইন্দিয়াগী টিম শেম্নবা জমশেদপুরদা ওগষ্ট ১৬তগী কেম্প অমা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা পূন্না শান্নরোয় ৩০গী মমিংলাউথোরকপদা মণিপুর মচা ১১ য়াওরক্লে।

ফুটবোল কেম্প অসি ওগষ্ট ১৬তগী হৌরগা সেপ্টেম্বর ৬ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবনি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ঙসি লাউথোকখিবা শান্নরোয় ৩০গী প্রোভেবল লিষ্ট অদুদগী কেম্প লোইরবা মতুং ফাইনেল টিম অদু লাউথোক্কদৌরিবনি হায়খি।

এ আই এফ এফ টেক্নিকেল কম্মিটিনা লৌখিবা ৱারেপ অমদা হান্না ইন্দিয়াগী নুপীগী সিনিয়র টিমগী কোচ ওইরম্বা মেমোল রোকিনা মহাক্কী ফমদগী পোখাখ্রবা মতুং থোমাস দেনরবিনা খূদক্তগী ইন্দিয়াগী নুপীগী নেসনল টিমগী হেদ কোচ ওইরে হায়না এ আই এফ এফকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, স্বিদেন মচা থোমাস দেনরবি মমাংদা ইন্দিয়াগী চহী ১৭ মখাগী নুপীগী ৱর্ল্ডকপ টিমগী কোচকী থৌদাং পুদুনা লাকখিবনি।



কেম্প অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুর মচা ১১ অদুদি গোলকিপরদা মাইবম লিন্থোইঙম্বী, দিফেন্দরদা এল অশালাতা (রেলৱেজ), এন জি স্বিতি, এস রঞ্জনা, দল্লিয়ু লিন্থোইঙম্বী, ক্রিটিনা টি ঐচ, অসেম রোজা অমসুং হেমাম সিল্কিনি। মিদফিল্ডদা মার্টিনা থোকচোম অমসুং দাংমৈ গ্রেসনি। অদুগা ফোরৱার্দতা হৈক্রুজম দয়ানি।

মরক অসিদা, ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমদসু মণিপুরদগী শান্নরোয় ১০ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শিল্লিবা কেম্প অসিগীদমক্তা খল্লকপনি। মখোয় ১০মক মণিপুর ষ্টেটকী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা শান্নরোয় ঙাক্তনি। অদুবু লোইতোংবম অশালাতাদি মণিপুর মচা ওইজরমসু রেলৱেজদা শান্নরিবনি।

# ৭৫শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগা মরী লৈননা স্পোর্টস মিনিষ্টর থাকুরনা ফিট ইন্দিয়া রন হৌদোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা নীং তম্লকপা চহী ৭৫ শুরকপগা লোয়ননা পাঙথোক্কদবা থৌরমশিংগী মনুং চন্না ঙসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস অনুরাগ সিংহ থাকুর অমদি মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস নিশিট পর্মানিকনা অজাদিকা অমৃত মাহোটসবকী শরুক অমা ওইনা ঙসি লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিট ইন্দিয়া ফ্রীদম রন ২.০ ন্যু দেল্লীদা ওফিসল ওইনা লোঞ্চ তৌখ্রে।

ঙসি ন্যু দেল্লীগী মেজর ধ্যান চান্দ নেসনল ষ্টেদিয়মদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ফ্রীদম রন অদু লোঞ্চ তৌখি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মরুওইবা মফম ৭৫দসু পাঙথোকখি। অন্দমান এন্দ নিকোবরগী কোনুং পোর্ট ব্লেয়রদা লৈবা সেল্যুলর জেল, লাহুল স্পিটিদা লৈবা কজা পোষ্ট মুম্বাইদা লৈবা গেট ৱে ওফ ইন্দিয়া অমদি পঞ্জাবতা লৈবা অটারি বোর্দরনচিংবা মফম কয়াদসু থৌরম অসি পাঙথোকখি।



ঙসি মেজর ধ্যান চান্দ নেসনল ষ্টেদিয়মগী থৌরম অদুদা গুজরাটকী সহিত্য কালা একাদেমিগী মেম্বরশিংনা ফ্রীদম ফাইটরশিংবু শৈথাদুনা শাখিবা জগোইনা অহৌবা প্রোগ্রাম ওইখি। মদুগী মতুং মিনিষ্টরশিংনা আর্মদ এন্দ পেরা মিলিটরি ফোর্সেসকী মীহুৎশিংগা ভর্চ্যুএলদা ৱারী শানখি। লৈবাক শীনবা থুংনা লৈরিবা নেহরু য়ুব কেন্দ্র সঙ্গথন (এনৱাইকেএস)গী মায়কৈদগী মশীং য়াম্লবা ভলন্টিয়র-শিংনা থৌরম অদু শরুক য়াখি। মদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ভলন্টিয়রশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা চহী নৌরিবা নহাশিংনা মখোয়গী পূন্সি মরেলগী খোঙচৎতা চাং নাইনা মশা-মউ ফনা লৈনবগীদমক পূক্নিং থৌগৎপা অদুগীদমক্তসু অফবা খোঙথাং অমনি হায়খি।

ফ্রীদম রন অসিনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামবু লৈবাক অসিগী নীংতম্বা ফংলকপদা থৱায় কৎখ্রবা নেসনল হিরোশিংগী হীরমশিংগা মরক্তা নকশিন্নবা ঙম্লগনি হায়খি।

পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ফিটনেস মুভমেন্ট অসিগী খোঙজং অসি লৈবাক শীনবা থুংনা মীয়াম পূন্না য়াওহন্নবা পান্দমনি। 'ফিটনেস কি দোজ, অধা ঘনটা রোজ' হায়বা কেম্পেয়ন অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা লৈবাক অসিগী নহা ক্রোর ৭.৫ অসিদা ওগষ্ট ১৫দগী হৌরগা ওক্টোবর ২ ফাওবা ফ্রীদম রন অসি লেপ্তনা পাঙথোক্তুনা হকচাং ফবা ইন্দিয়া অমা ওইনবগী পান্দম অদু থল্লিবনি হায়খি।

অমরোমদা, মণিপুরগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোইরাংদা লৈবা আই এন এ মেমোরিয়ল কমপ্লেক্সতা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর কৃষ্ণকুমারনা ফিট ইন্দিয়া ফ্রীদম রনগী মনুং চন্না মারাথোন লমজেল লোঞ্চ তৌখি। ঙসিগী লমজেল অদু নেহরু য়ুব কেন্দ্র বিষ্ণুপুরনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবনি।

# বেঙ্গলুরু এফ সীনা মালদিভসকী ক্লব ইগলসগা প্লে ওফ শান্নরগনি

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী): এ এফ সী কপ ২০২১গী প্লে ওফ মেটচতা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ক্লব অমা ওইরিবা বেঙ্গলুরু এফ সীনা ওগষ্ট ১৫দা মালদিভসকী ক্লব ইগলসকা থেংনরগনি।

এ এফ সী কপ ২০২১গী গ্রুপ দিদা ইন্দিয়াগী লীগ চেম্পিয়ন ওইরিবা এ টি কে মোহন বগান দাইরেক্ট এন্ট্রি ওইনা ক্বালিফাই ওইখি। অদুগা কুমজা ২০১৬ এ এফ সী কপকী রন্নর্স অপ বেঙ্গলুরুনা মালদিভসকী ক্লব ইগলসকা শান্নগদবা প্লে ওফতা মায় পাক্লবদি গ্রুপ দিদা বাংলাদেশকী বাসুনধারা কিংস, মালদিভসকী মাজিয়া স্পোর্টস এন্দ রিক্রিএসনগা লোয়ননা এ টি কে মোহন বগানগা পূন্না লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

বেঙ্গলুরু এফ সীনা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী হৌখিবা সিজনদা ৩শুবা পোজিসন তাদুনা এ এফ সী কপ ২০২১গী অনীশুবা প্রিলিমিনরি রাউন্দদা নেপালগী ক্লব ট্রিভুবন আর্মি এফ সীবু পাঞ্জল ৫-০দা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা মায় পাকখিবা অদুনা প্লে ওফকীদমক ক্বালিফাই ওইরকপনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা থা অসিগী ৯দা ক্লব ইগলসকা লম্বা তৌনগদৌরিবা অদুগীদমক ইন্দিয়াগী টিম কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রিনা ক্লব অসিগী কেপ্টেনসু ওইদুনা শান্নরোয় ২৯গী মমিং লাউথোকখি।

গ্রুপ দিদা ওগষ্ট ১৮, ২১ অমসুং ২৪দা টিম মরিনা রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা অমগা-অমগা মেটচ অমমম্ থেংনরগনি। মেটচশিং অসি মালদিভসকী কোনুং মালেদা শান্নগদৌরিবনি। গ্রুপ অসিগী মকোক থোংবা ক্লব অদুনা সিঙ্গল লেগ মেটচ ওইবা ইন্টরজোন সেমীফাইনেল য়ৌগদৌরি। এ টি কে মোহন বগাননা ওগষ্ট ১৮দা বেঙ্গলুরু অমসুং ক্লব ইগলসকী অথোইবগা শান্নগনি। ২১দা মাজিয়া স্পোর্টসকা লম্বা তৌনগনি। অদুগা ২৪দা বাসুনধারা কিংসকা থেংনগদৌরিবনি।

# গ্রিসকী শান্নরোয় ষ্টিফানোস সিসিপাসনা রসিয়াগী কারেন খাচানোব মায়থীবা পীদুনা নেসনল বেঙ্ক ওপন টেন্নিসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

টোরোন্টো, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী): থা অসিগী ৬তগী কানাদাগী টোরোন্টোদা পাঙথোকপা হৌরকখিবা নুপাগী এ টি পি টুর মাষ্টরসকী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা নেসনল বেঙ্ক ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা গ্রিসকী ষ্টিফানোস সিসিপাসনা রসিয়াগী কারেন খাচানোবপু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিদা সিসিপাস ৩শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবনি। অহানবা সেটতগী হৌরগা সিসিপাসনা খাচানোবপু খূদুম চন্না শান্নবা ঙমখি। সর্ভিস ব্রেক অমা তৌদুনা ৬-৩দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেটতনা অমুক্কা হেন্না ফজবা ঙমদুনা ৬-২দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা সর্ভিয়াগী দিলাজোবিচপু ৬-৪, ৬-৩দা থোইরম্বা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোয় নোরৱেগী সিরুটকা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোয় রসিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা ওষ্ট্রেলিয়াগী জে দকৱার্থপু ৬-২, ৬-৪দা থোইদুনা জিওর্জিয়াগী এন বাসিলাসভিলিবু ৬-৭ (৭-৯), ৬-৪, ৬-৪দা থোইরম্বা পোলেন্দগী ঐচ হুর্কাজকা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নরগনি।

৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভ অহুমশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী জোন ইস্নরগী মখূৎতা অকনবা লম্বা থেংনরগা ৫-৭, ৬-৭ (৫-৭)তা মায়থীহৌদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইস্নরনা য়ু এস এগী এফ টিয়াফোবু ৬-১, ৭-৬ (৭-২)দা মায়থীবা পীরম্বা ফ্রান্সকী গেল মোলফিন্সকা লম্বা তৌনরগনি।

কানাদাগী অতোপ্পা সিটি মোন্ট্রিএলদা চপ মান্নবা টুর্নামেন্ট মমিংদা নুপীগী কাঙলূপকী ওইনসু ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ লোইখি। নম্বর ৱান সিদেদ বেলারুসকী এরিনা সবালেনকানা কানাদাগী আর মারিনোবু ৬-১, ৬-৩দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা গ্রিসকী এম সকারিবু ৬-৪, ৩-৬, ৭-৬ (৭-২)দা থোইরম্বী টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ বেলারুসকী অতোপ্পা শান্নরোয় ভিক্টোরিয়া অজারেনকাগা শান্নরগনি। চেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিসকোভাসু য়ু এস এগী অনিসিমোভা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা চেককী শান্নরোয় কে সিনিয়াকোভাবু মায়থীবা পীরম্বী স্পেনগী সোরিভস টোর্মোগা লম্বা তৌনরগনি। ইটালিগী সী জিওর্জিনা চেক রিপব্লিককী পেট্রা কিটোভা মায়থীবা পীদুনা ৱাক ওভর ফংলগা লাকখিবা য়ু এস এগী কে গোফকা শান্নরগনি। টুনিসিয়াগী ও জেবোর অমসুং জে পেগুলাগা ক্বার্টরদা থেংনরগনি।

# অনন্দ য়াওনা ইন্দিয়াগী মরি গ্রান্দ স্বিজ লীগ শরুক য়াগদৌরি

মুম্বাই, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিস্বানাথন অনন্দ, বিদিট গুজরাথি, পেন্টালা হরিকৃষ্ণ অমসুং ভাস্করন অধিবন ফিদে গ্রান্দ স্বিজ লীগ চেছ টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসি চহী অসিগী ওক্টোবর ২৫দগীনা নবেম্বর ৮ ফাওবা রাউন্দ ১১গী ফোর্মেটতা শান্নগনি। ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ৪ ক্বালিফাই ওইরকখিবা অসি কুমজা ২০২০গী জুন থাদগীনা কুমজা ২০২১গী জুলাই থা ফাওবগী মনুংদা লৈবা এভরেজ রেঙ্কিংদা য়েংলগা পীরকপনি। মালেমগী শান্নরোয় ১১৪না ফিদে কেন্দিদেটস টুর্নামেন্ট ২০২২গী ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অমা ওইরি। কেন্দিদেটস টুর্নামেন্ট অদুগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙম্লবা মতুং মায় পাকপা ঙম্লবদি কুমজা ২০২৩দা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নবু চেলেঞ্জ তৌবা য়াগদৌরিবনি। গ্রান্দ স্বিজ লীগ চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা নুপীগী ওইনা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর দ্রোনাভালি হরিকা ক্বালিফাই ওইদুনা মকোক থোংবা নুপীগী শান্নরোয় ৫০গী মনুং চল্লি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ভিদিট গুজরাথি হন্দক্তা লোইশিনখিবা চেছ ৱর্ল্ড কপ ২০২১দা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবদগী গ্রান্দ প্রি ২০২২গীদমকসু ক্বালিফাই ওইখ্রবনি। মরম অদুনা মহাক্না ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন লম্বা তৌননবা শান্নরোয় মশক খঙদোক্কদৌরিবা কেন্দিদেটস টুর্নামেন্ট ক্বালিফাই ওইননবা খূদোংচাবা অনী লৈরি।

গ্রান্দ স্বিজ লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা মকোক-মথং তাবা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় মরিনা কেন্দিদেটস টুর্নামেন্টকীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি। রিজর্ভ ওইনা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয় কে শশিকিরন, এস পি সেথুরামন অমসুং অরাভিয়ন চিতম্বরম য়াওরি। অদুগা নুপীগী রিজর্ভতনা আই এম বৈশালি য়াওরি।

# টৌকিও ওলিম্পিক্স সিলভর মেদলিষ্ট দোপিং কেসকা মরী লৈননা এ আই য়ুনা সস্পেন্দ তৌখ্রে



লন্দন, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী): এথলেটিক্স ইন্টিগ্রিটি য়ুনিট (এ আই য়ু)না লাউথোরকপগী মতুংইন্না হন্দক্তা লোইশিনখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা নুপাগী মিটর ৪ x ১০০ রিলে লমজেলদা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবা গ্রেট বৃটেনগী এথলিট সী জে উজা এন্টি দোপিংগী কাঙলোনশিং মপূং ফানা ইল্লমদবগীদমক সস্পেন্দ তৌরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

করিগুম্বা চহী ২৭ শুরবা সী জে উজাগী কেস অসি টেষ্ট তৌবদা ড্রগ শীজিন্নরম্বগী প্রুফ অদু ফংলবদি মহাক্তা নৎতনা বৃটিশকী টিমনা সিলভর মেদল ফংখিবা অদু লৌথোক্কদৌরিবনি।

এ আই য়ুগী ৱারোল অদুনা মখা তারদুনা এথলিট উজাদা থিংখ্রবা পোৎয়ান ওষ্টারিন অমসুং এস ২৩ য়াওবা থেংনখিবনি হায়রি। হায়রিবা পোৎয়ানশিং অসি মশল দিভলপ তৌনবগীদমক্তা শীজিন্নবনি। এথলিট সী জে উজাদা নৎতনা বাহরেনগী মিটর ১৫০০গী এথলিট সাদিক মিখৌ, জোর্জিয়াগী শোট পুটর বেনিক অব্রামিয়ান অমসুং কেনিয়াগী স্প্রিন্টর মার্ক ওটিয়ানো ওধিয়াম্বোসু প্রোভিজনেল ওইনা সস্পেন্দ তৌখ্রে।

এ আই য়ুনা হৌজিক ঙাইরিবা অসি ইন্টরনেসনল টেষ্টিং এজেন্সী (আই টি এ)গী প্রোসিদিংশিং অদুনি। ৱর্ল্ড এথলেটিক্স এন্টি দোপিং রুলগী মতুংইন্না রুল অদু ইন্টরনেসনল টেষ্টিং এজেন্সীনা পীরক্কদৌরিবা ৱারোইশিন অদুগী মতুংইন্না শান্নরোয়শিং অসিগী মথক্তা অথিংবশিং থম্লক্কদৌরিবনি। আই টি এগী ৱারোল অমদা প্রোভিজনেল ওইনা সস্পেন্দ তৌখ্রবা এথলিটশিং অদুগী রিজল্টশিংগী মতুংইন্না থবক লৌখৎকনি হায়রি।

# টৌকিও পেরালিম্পিক ভাবোক য়াওদনা পাঙথোক্লগনি : রিপোর্ট

টৌকিও, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী): সম্মর ওলিম্পিক গেমসকী ৩২শুবা এদিসন লোইশিনখ্রবা মতুং থা অসিগী ২৪দগী হৌরগা পাঙথোক্কদৌরিবা টৌকিও পেরালিম্পিক গেমস অসিসু ভাবোক য়াওদনা পাঙথোক্কদৌরি হায়না টৌকিওদা ফোঙবা পাউচেশিংগী রিপোর্টতা ঙসি ফোঙদোক্লরক্লি।

নীংশিংবা য়াই, টৌকিওদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস মশীং কা-হেন্না হেনগৎলকপদগী প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদে সুগানসু জপানগী মীওইশিংদা চৎথোক-চৎশিন তৌবগী থবক লেপ্পবা আপিল তৌখ্রবনি। মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি লৈবাক অদুগী হেল্থ এক্সপর্টশিংগী মায়কৈদগী কুপ্না নৈনরবা মতুং ফোঙদোরকপনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক অদুনা লৈবাক অদুগী তোঙান-তোঙানবা কম্মর্সিএল এরিয়াশিংদা মীওই চৎথোক-চৎশিন তৌবগী চাং অদু হন্থনবা অকনবা প্রেসর পীখি। লোয়ননা জপানগী নাৎকী ওইবা ওবোন হোলিদেদসু চৎথোক-চৎশিন তৌদনবা ফোঙদোকখি। ৱাফমশিং অসি মহাক্না রিপোর্টরশিংদা ফোঙদোক্লদুনা মীয়াম্না মরম লৈতনা চৎথোক-চৎশিন তৌবগী থবকশিং অদু লেপ্পা হায়খি।

দেল্টা ভেরিএন্টগী ৱেভ লাকখ্রবা মতুং পেরুদগী নুপী অমা টৌকিওদা লম্বদা ভেরিএন্টকী খ্বাইদগী অহানবা কেস ওইনা ঙসি থেংনখ্রে হায়না কিওদো ন্যুজকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

পেরালিম্পিক গেমসকী ওর্গনাইজরশিংনা ওগষ্ট ২৪দগী হৌগদৌরিবা পেরালিম্পিক গেমস অসিদা ভাবোক য়াওহন্দনবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। সিজোকা সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা গেমস অদুদা স্কুলগী অঙাংশিং মীৎয়েং তাহন্নবা হোৎনবগী খোঙথাং অদুদি লেপত্রি।

# রোমেলু লুকাকু য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ১৩৫দা ইন্টর মিলান ক্লবতগী চেলসিদা অমুক শান্নরগনি

লন্দন, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী): বেলজিয়মগী মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোয় রোমেলু লুকাকুনা ইটালিগী ফুটবোল ক্লব ইন্টর মিলানদগী রেকোর্দ ফী ওইনা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ১৩৫ (বৃটিশ পাউন্দ মিলিয়ন ৯৭)দা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা চেলসিদা অমুক হল্লক্তুনা শান্নরগনি।



রোমেলু লুকাকুনা মহাক্কী ক্লব ইন্টর মিলানবু চাওনা মতেং পীদুনা চহী ১১গী মতুংদা হৌখিবা সিজনদা সেরি এগী টাইটল লৌবা ঙমহনখি। অদুবু ইটালিগী ক্লব অদুনা শেলগী পুখবা লৈরকপদগী মখোয়গী খ্বাইদগী মমল য়াম্লবা শান্নরোয় অদু য়োন্থোরকপনি।

লুকাকুনা সেরি এদা ইন্টর মিলানগীদমক শান্নদুনা সিজন অনীদা পাঞ্জল ৬৪ চন্দুনা ক্লব অদুগী খ্বাইদগী মরুওইবা শান্নরোয় ওইরকখি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, মমিং লৈরবা ক্লব চেলসিদা অমুক হল্লক্তুনা শান্নবা অসি মহাক্কী ওইনা য়াম্না নুংঙাইবা অমসুং থৌজাল ফংলবনি হায়খি। মহাকচহী ৫ ক্লব অসিদা শান্নগদৌরি। মহাক্না মফম অদুদা চহী ১৮শুরকপদা চেলসি ক্লবকীদমক শান্নখিবনি। অদুবু এক্সপরিয়েন্স ৱাৎপা মরম্না মহাক ক্লব অদুগী ওইনা মশক থোকপা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখিদে। মহাক অতোপ্পা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ক্লব ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অমসুং এবর্টনদা লোন ওইনা শান্নখি। অদুগা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা পাউন্দ মিলিয়ন ৭৫দা শান্নখিবনি। মহাক্না চেলসি ফুটবোল ক্লব অহানবা ওইনা শরুক য়ারম্লবা মতুং থাদোকখিবা মতম অদুদা য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈতনা তমগদবা কয়া অমা ৱাৎলগা লৈখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি মহাক মরেপ মপূং ফারবা অমদি এক্সপরিয়েন্স য়াম্না ফংলদুনা ক্লব অসিগী মিংচৎ পুরক্লবা হোৎনবদা মহাক্কী মায়কৈদগী মপূং ফানা হোৎনগনি হায়খি।

অমরোমদা, অর্সনেলগী জো ৱিলোক ন্যুকাসলদা য়াওরগনি অদুগা লিভরপুলগী ভান দিজকা মখা তানা কুমজা ২০২৫ ফাওবা শান্নগদৌরি।


# EMPLOYMENT NEWS


- IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst.-2, Car Driver-2, Grade IV-2
- SAMUROU BRANCH :- Office Asst.-2, 2 Wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre Fitting Helper-2, Car Driver-2, Grade IV-2, Brick Mistry-3 & Jugali-5 (Rs.15,000 to Rs. 25,000)
- MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
- THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
- NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2

OFFICE HOUR :
10.00 AM TO 4.00 PM

Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,
IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994 / 8731978490

HL-B/7056/6,8,10


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 200

**GM Krasenkow, Michal (2591) - GM Alekseenko, Kirill (2699)**
**FIDE World Cup 2021 Krasnaya Polyana RUS, 2021.07.16**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.Nf3 d5 | 2.d4 Nf6 | 3.c4 e6 | 4.g3 Bb4+ |
| 5.Bd2 Be7 | 6.Bg2 O-O | 7.O-O Nbd7 | 8.Qc2 c6 |
| 9.Rc1 a5 | 10.a4 Re8 | 11.Na3 Bd6 | 12.Bf4 e5 |
| 13.dxe5 Nxe5 | 14.Bxe5 Bxe5 | 15.cxd5 Nxd5 | 16.Nxe5 Rxe5 |
| 17.Nc4 Re8 | 18.Rd1 Be6 | 19.e4 Nb4 | 20.Qc3 Qc7 |
| 21.Nd6 Re7 | 22.e5 Qb6 | 23.Rd2 Nd5 | 24.Qc2 Rd7 |
| 25.Rad1 Rad8 | 26.Rd4 Nb4 | 27.Qc1 h6 | 28.Rh4 f6 |
| 29.Rxh6 gxh6 | 30.Qxh6 Qc7 | 31.Qxf6 Bb3 | 32.Bh3 Rf8 |
| 33.Be6+ Bxe6 | 34.Qxe6+ Kh8 | 35.Qh6+ Kg8 | 36.Rd4... |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 199 Ans. :**
42. ...Rc4 43.Qf8+ Ka7 44.Qf2 Rxd4 45.c3 The white pawn attacks Black's rook, which is pinned.Qd3+ 46.Ka1
46. Ka2 Qxc3 47.Be3 The white bishop pins Black's rook against Black's king.
47. Bb2 The white bishop skewers Black's queen and rook. Qc4+ 48.Ka1
48. Kb1 Qe6 49.Qxd4+
49. Bxd4+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com